# মুষ্টাক অলি ট্রোফি : মণিপুরনা পোন্দিচেরি রন ৩দা থোইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না শীন্দুনা জয়পুরগী জয়পুরিয়া ভিধালায়া গ্রাউন্দদা চত্থরিবা মেন্স সিনিয়র সয়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফি ২০২২-২৩গী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা পোন্দিচেরিবু রন ৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মণিপুরনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১২৫ লৌবা ঙমখি।

কে প্রিয়োজিৎনা বোল ৩৯দা থুনা য়াঙনা রন ৫৮ লৌদুনা ষ্টেট টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখি। ৱাইকর্নজিৎনা বোল ২৪দা রন ২০, কেপ্টেন লাংলোনয়াম্বনা বোল ২৪দা রন ১৫ অমদি বিদাশনা বোল ১৪দা রন ১২ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা পোন্দিচেরিগী বোলর ভারতভুষন শর্ম্মনা ওভর ৩দা ৱিকেট ২ অদুগা সাগর উদেসি, থিভাগর, অনকিট শর্ম্ম অমদি সটিশ জনগিরনা ৱিকেট অমমম্ লৌখি।

মদুগী পাউ খুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা পোন্দিচেরিনা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ তুরগা টার্গেট রন য়ৌবা ঙমদনা রন ১২২ লৌদুনা মণিপুরগী মখূৎতা রন ৩দা মায়থীখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ষ্টেটকী বোলর বিদাশনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ২ অদুগা নিটেশনা ওভর ৩ অমদি সুল্টাননা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখিবনি।

### খেলো ইন্দিয়া য়ু-১৭ গলর্স ষ্টেট লীগ

# অবেম্মা অমদি থম্বালতোম্বীগী হেটট্রিকনা এ এম এম এনা এফ সী ইম্ফালবু লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): ফাঞ্জৌবম অবেম্মা অমদি চিংঙাখম থম্বালতোম্বী চনুনা চনখিবা গোল ৩/৩ অমদি কেপ্টেন চিংঙাখম অঞ্জলিনা চনখিবা গোল ২গী মতেংনা অন্দ্রো মহিলা মন্দল এসোসিএসন (এ এম এম এ)না এফ সী ইম্ফালবু লাকচনা ৮-০দা চত্থরিবা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট লীগ ফোর অন্দর-১৭ গলর্স ঙসি অয়ূক লল্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

কেপ্টেন চিংঙাখম অঞ্জলিনা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা অন্দ্রোগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্লা মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭১ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৮শুবা গোল চনখি।

থম্বালতোম্বীগী গোল ৩ অদুনা শান্নবগী ১৭, ২২ অমদি ৬৯ শুবা মিনটতা চনখি অদুগা ফাঞ্জৌবম অবেম্মগী গোল ৩ অদুনা শান্নবগী ২৪, ৫৩ অমদি ৬৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱিমেন্স ফুটবোল একাদেমি (দব্লিয়ু এফ এ) অমদি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাঙ্খে গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

মেটচ অসিদা রেফরি রিংনিদমনা ঈ এস য়ুগী কেপ্টেন য়ুম্লেম্বম বিদ্যাঙম্বী অমদি কোন্থৌজম হেলেনা শান্নবগী ২৮ অমদি ৫১ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, লীগ অসিগী শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচ অমদা কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্রিপসা) নাওরেমথোংনা আই সী এস এ ইরেংবমবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

নিংথৌজম ওলিভিয়া চনু অমদি য়াইফবী থোকচোমনা ক্রিপসাগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু চনবা ঙমখি।

নুমিৎ অসিমক্তদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা দি য়ং ৱেলফেয়র ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) লংথবালনা পেহলুম লমহিল লোমবু লাকচনা ৮-০দা মায়থীবা পীখি।

ৱাই দব্লিয়ু সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু তোইজম থোইবীসনা চনুনা ৩, কেপ্টেন রেমী থোকচোমনা ২ অদুগা য়েন্দ্রেম্বম থোইথোই, হোইননজেম অমদি হোইনৈহটনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

### এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন লীগ হৌদোকখ্রে

# কে এ এল ৱাই সী অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ৫শুবা এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি মালোমগী ৱাই দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা কে এ এল ৱাই সী চজিং করামনা টি এস এফ এ তোপ সিফাইবু ১-০দা অহৌবা মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১৬না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা চজিং করামগী কে অকাশনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্মদবদগী কে এ এল ৱাই সীনা টি এস এফ এবু ১-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি ঐচ মহেশনা মায় পাকখিবা চজিং করামগী য়ু স্রিনিভাস, এন সন্তোশ অমদি এন বিশ্বরজিৎ অদুগা তোপ সিফাইগী অমির হুসেনবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা সোসল ৱর্কর লৌবুকতোংবম শিবানন্দনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি আই দব্লিয়ু দি এফ এগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু মোবিচানা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

### ১৩শুবা জাদোনাং ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# দিমদাইজাং, সাইরেম, কোন্থৌজম মনিং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসি-এসননা শীন্দুনা থাংমৈবন্দগী থাও গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৩শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা দি এফ সী দিমদাইজাং, এস এস ৱাই সী সাইরেম অমদি কে এম টি ৱাই সী কোন্থৌজম মনিং মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা দি এফ সীনা বি ৱাই সী বিটিয়াংৱাংবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

সাচুলুং ফাওমৈ অমদি মৈহোনলুং থাইমৈনা দিমদাইজাংগী মায় পাকপগী গোলশিং চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এস এস ৱাই সী সাইরেমনা এল কে টি সী সী লংথবাল খৌপুমবু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

সাইরেমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু পৌচুনলোং গোলমৈ অমদি গোলমৈ গাইখাননিংপুনা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা কে এম টি ৱাই সীনা কে ৱাই সী কৈখুবু ১-০দা মায়থীবা পীখি। কোন্থৌজম মনিংগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু এলভিস কামৈনা চনখি।

## ৱর্কশোপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): পোনি সোফটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা মশান্না অসিগী অম্পায়রিং অমদি স্কোরিংগী ওইবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চত্থগদবা ক্লিনিক কম ৱর্কশোপ প্রোগ্রাম থা অসিগী ১৫দগী ১৬ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী সেক্রেটরি বি সুরুপকুমারনা খঙহল্লক্লি।

এসোসিএসন অসিদা এফিলিএট তৌবা ক্লবশিং অমদি য়ুনিটশিংনা মখোয়-মখোয়গী প্লেয়র ৯/৯ থা অসিগী ১৫গী অয়ূক পুং ৮দা প্রোগ্রাম মফমদা য়ৌহল্লক্নবা খঙহল্লক্লি।

## এ এম সী এনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): কেরোম মশান্নগী নেসনল প্লেয়র ওইরম্বদা নৎতনা ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসনগীদমক মায় পাকপা পুরক্লবা কন্না হোৎনরম্বা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাংঙথেল থিংঙেল লৈকায়দা লৈবা মোইরাংথেম সদানন্দ (অমু)না থা অসিগী ৫দা মনুং মতম চাদনা লৈখিদববু ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসনগী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংনা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।



মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা এসোসিএসনগী ওফিসতা মেম্বরশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কোন্দোলেন্স মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা মপুদা থৌনীজ খিবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদসু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শরুক য়ারি হায়রি।

### অনীশুবা অম্ফা কপ

# য়ুনাইটেদ ব্রদর্সনা অংথা এফ সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চত্থরিবা অনীশুবা অম্ফা কপকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স এফ সীনা অংথা এফ সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

পি সেরোর্মি থিংশাংনা শান্নবা হৌরকপগী ১০শুবা মিনটতা য়ুনাইটেদ ব্রদর্সকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্লা মখা তানা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা অংথা এফ সীবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

য়ুনাইটেদ ব্রদর্সকী খূদুম চনবা মখা চত্থরকপা ওইনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা থোটরৈমুংনা শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা য়ুনাইটেদ ব্রদর্সকী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জে সোংটুন য়ুঠ ক্লব অমদি এফ সী লমজাও ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

এফ সী লমজাওগী গোল ২ অদুনা নিংঙোম্বম হেনরিনা শান্নবগী ১৫ অমদি ৪৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। জে সোংটুনগী গোল ২ অদুনা জমখানজিন খোংশাই অমদি জংখোসাই কিপজেননা শান্নবগী ৭৮ অমদি ৮১ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

### ইন্টর কোলেজ ফুটবোল

# ৱাই কে কোলেজ অমদি মোইরাং কোলেজ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী লমজিং মখাদা মোইরাং কোলেজনা শীন্দুনা চত্থরিবা এ প্রতাপ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (মেন) টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা ৱাই কে কোলেজ অমদি মোইরাং কোলেজ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই কে কোলেজনা কুম্বী কোলেজপু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখি।

ৱাই কে কোলেজকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এ বিক্রমনা ৪ অদুগা এল রাসবোই অমদি এন লানঙম্বনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ূম্বু মোইরাং কোলেজনা ককচীং খুনৌ কোলেজপু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

কে ভাস্করনা মোইরাং কোলেজগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ কোলেজনা রিজনেল কোলেজপু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

কেনফাসা অমদি থুমৱার্রিংনা য়ুনাইটেদ কোলেজকী মায় পাকপগী গোল ২ অদু চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা চুড়াচান্দপুর কোলেজনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

চুড়াচান্দপুরগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু খাইজালেট বাইটেনা ২ অদুগা থাংলালভেন অমদি মাংমিনথাংনা অমমম্ চনখিবনি।

# ভি এল এমনা মফম ১৭তা ভোলিবোলশিং য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা ভোলিবোল মশান্নবু হেন্না চাউখৎনবা অমদি হৌগৎলক্লিবা নহা কয়াবু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী লাপথোক্তুনা লৈহন্নবগী পান্দমদা চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা শেমখিবা ভোলিবোল লভর্স মণিপুর (ভি এল এম)না ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা ভোলিবোল শান্নরিবা মফম ১৭তা চৎতুনা লেম্না ভোলিবোল য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ভি এল এমগী প্রসিদেন্ট ওজিৎ সোরোখাইবমনা ফোঙদোরকপদা, ভোলিবোল মশান্না অসি শুমাঙ লীলাগুম্না য়েংবা য়াম্না নুংঙাইবা মশান্না অমনি। অদুবু চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অমদি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট খরখক নৎতনা হৌজিক্তি ইম্ফালগী মফম অয়াম্বদা শান্নখিদ্রে।

ভি এল এমনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিবু মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তারক্লি।

# শান্নরোয়শিং রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): ন্যু দেল্লীগী ইন্দোর হোল রাজা বজারদা দিসেম্বর ২৪দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭শুবা নেসনল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ানবগীদমক হন্দক্তা খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা ষ্টেট লেভেল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপতা মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং, টেক্নিকোল ওফিসলশিং অমদি কোচশিংনা থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়াই লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা রিপোর্ট তৌরনবা জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা খঙহল্লক্লি।

শান্নরোয়শিংনা লাকপা মতমদা মেরিট/মেদল অমদি এজ প্রূফ সর্টিফিকেটকী কোপীশিং লোয়নরক্নবা মখা তারক্লি।

HL-B/7775/2/10,11,12/10-1/12(alt)

### ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# স্পেননা তোঙানবা মশান্না অমা শান্নগনি ৱাশকপগা লোয়ননা শেম শাখ্রে



স্পেনগী কোচ লুইস এনরিক

## নুমিৎ ৩৬নি খক্তা ঙাইরে মীয়াম পূন্না ঙাইমিন্নগদবা

ফিফা ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা হৌজিক ফাওবদা পূন্না টুর্নামেন্ট ২২ পাঙথোকখিবগী মনুংদা ১৬লক ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙম্বা টিম ওইরিবা স্পেননা কোচ লুইস এনরিককী লমজিং মখাদা তোপ-তোপ্পা মশান্না অমা শান্নগনি ৱাশকপগা লোয়ননা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

ফিফা ৱর্ল্ড কপকী টাইটল লৌবা ৮শুবা লৈবাক ওইরিবা স্পেননা মখোয়গী তোঙানবা শান্নবগী মওং অমা ওইরিবা 'টিকি-টাকা' (অতেনবা পাসিং তৌদুনা বোল অমদি ওপোনেন্টবু কন্ট্রোল তৌদুনা ওপোনেন্টগী দেঞ্জর জোন য়ৌশিনবা) পান্থে শীজিন্নদুনা মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা মায় পাক্না কেম্প্যেন চত্থনবা হোৎনগদৌরি।

কুমজা ১৯৯১দগী হৌদুনা ২০০৪ ফাওবা রিয়াল মাদ্রিদ অমদি বর্সেলোনাদা শান্নরম্বা মশাগী তোপ-তোপ্পা টেক্নিক লৈবদা নৎতনা তোঙান-তোঙানবা পোজিসনশিং মিদফিল্ডর নৎত্রগা ফোরৱার্দ শান্নরম্বা কোচ লুইস এনরিকনা মহাক্কী টিম স্কৱাদতা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংবু হাপচিন্দুনা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা তোপ-তোপ্পা মশান্না অমা শান্নহন্নবা হোৎনগদৌরি।

লুইস এনরিকনা য়াম্না হেন্না থাজবা থম্লিবা অমদি য়ুরো ২০২০গী ষ্টার ওইবদা নৎতনা স্পেনবু সেমীফাইনেল য়ৌহল্লকপদা নোর্মেল টাইম অমদি পেনাল্টি শুট আউটতা সেভ কয়া তৌখিবা এথলেটিকোগী গোলকিপর উনাই সাইমননা স্পেনগী অরোইবা দিফেন্স লাইন ঙাক্লবা শেম শাখ্রে।

নহা ওইরিবা মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইরিবা বর্সেলোনাগী মিদফিল্ডর পেদ্রিনা তোপ-তোপ্পা মাইন্দ ব্লোৱিং ওইবা পর্ফোর্মেন্স কয়া পীদুনা 'লা ফুরিয়া রোজা' (রেদ ফ্যুরি) টিমগী ফেনশিংবু পেলহন্নবা হোৎনগদৌরি।

নেসন্স লীগ শান্নরিঙৈ শোক্তুনা লৈরুরবা মতুং মমাং চহীগী নভেম্বরদা শান্নখিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়রদা স্পেনবু মায় পাক্না কেম্প্যেন চত্থখিবা ফরান টোরেজ অমদি অতোপ্পা শান্নরোয় এমেরিক লাপোর্ট অমদি সর্জিও বস্কিটনা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি।

### কটার ২০২২দা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা স্পেনগী শান্নরোয় মঙা




উনাই সাইমন (গোলকিপর)



এমেরিক লাপোর্ট (দিফেন্দর)



পেদ্রি (মিদফিল্ডর)



সর্জিও বস্কিট (মিদফিল্ডর)



ফরান টোরেজ (ফোরৱার্দ)

| Date | Match Details (Grp-E) | Venue |
| --- | --- | --- |
| November 23 | Spain vs Costa Rica | Al Thumama Stadium |
| November 27 | Spain vs Germany | Al Bayt Stadium |
| December 01 | Spain vs Japan | Khalifa International Stadium |

### কে এস ঐচ লৈহাও সুপর দিভিজন লীগ

# ৱাই দব্লিয়ু য়ুনা য়ু বি এস এ মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২০শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী সুপর দিভিজন লীগ ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা য়ুঠ ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন (ৱাই দব্লিয়ু য়ু) ককচীংনা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স স্পোর্টিং এসোসিএসন (য়ু বি এস এ) মান্তকপু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা টি ঐচ বেবেটোনা শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা ৱাই দব্লিয়ু য়ুগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি সী ঐচ সেমসননা মান্তক্কী এস অবোইতাঙ্খুল অমদি এম দি জাফর অলি অদুগা ককচীংগী ৱাই রাহুলবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

গ্রুপ অসিমক্কী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দব্লিয়ু য়ু ককচীংনা এস দব্লিয়ু সী ৱাইখোংবু লাকচনা ৬-২দা মায়থীবা পীখিবনি।

SPOKEN ENGLISH

Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students

■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary

Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)

Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)

Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

### এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট এন্দ সেকেন্দ দিভিজন লীগ

# চুম্বাং য়ুঠ ক্লব অমদি কানখু এথলেটিক ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪(ঐচএনএস): দি এস এ চান্দেলনা শীন্দুনা চত্থরিবা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা চুম্বাং য়ুঠ ক্লবনা লাম্বুং য়ুঠ কলচরেল ক্লবপু ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মায় পাকখিবা চুম্বাং য়ুঠ ক্লবনা কানখু এথলেটিক ফুটবোল ক্লবকা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।



চুম্বাং ক্লব অমদি লাম্বুং ক্লব অনীনা শান্নখিবা মেটচতা অহোংনা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী চুম্বাংগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্লা মখা তানা শান্নবগী ৩৫ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ২শুবা অমদি ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। টাইমনহোই অমদি দাইমাসনা শান্নবগী ৪৩ অমদি ৪৫ শুবা মিনটতা চুম্বাংগী অহুমশুবা অমদি ৪শুবা গোল চনখি।

লাম্বুংগী গোল ২ অদুনা ফাইটুঙম অমদি ফোলপেনা শান্নবগী ২১ অমদি ৮০ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা কানখু এথলেটিক এফ সীনা চান্দেল খুল্লেন য়ুঠ ক্লবপু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, জাইওন্টলাং গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মন্ত্রি পান্থা য়ুঠ ক্লবনা পেনা চীং য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লবপু টাই ব্রেকতা ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।


টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখিবনি। পেনাচীংগী গোল ২ অদুনা এন্দিনসা অমদি কোন্দিফানা চনখি। মন্ত্রিপান্থাগী গোলশিং অদুনা ৱেলসিং অমদি লিওনার্দনা চনখি।

শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা য়ুনিসা অমদি রিভরলেন্দ য়ুঠ ক্লব মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

**PUZZLE NO. 599**

Dick Van Geet - Mark Van Schaardenburg
Wijk aan Zee II, 1993



1.b3 c5 2.Bb2 d5 3.Nf3 Nc6 4.d4 Bf5 5.e3 Nf6 6.Bb5 Qa5+ 7.Nc3 Ne4 8.O-O Nxc3 9.Bxc6+ bxc6 10.Qd2 cxd4 11.Nxd4 Bd7 12.Bxc3 Qc7 13.e4 e6 14.exd5 cxd5 15.Rfe1 Be7 16.Nf5 exf5 17.Rxe7+ Kxe7 18.Qg5+ Kd6 19. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 598 Ans. :**

53. ...Nc2+ With a discovered check by the black bishop. 54. Kf3 Ne1+ 55. Kf4 Nd3+ 56. Kf3 Re3# Swallow's tail mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com